## শিব সেনাগী ৱাফমদা কোংগ্রেসনা পাউখুম পীরকখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এলায়েন্স (য়ু পি এ) অসি মপাঙ্গল শোন্থরে। মরম অদুনা কোংগ্রেস নত্তবা পার্টি অমগী মীহুৎনা য়ু পি এগী লুচিংবা ওইহনবা মথৌ তারি হায়না শিব সেনাগী এম পি সঞ্জয় রাৱটনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা এন সী পিগী লুচিংবা সরত পৱারনা য়ু পি এগী লুচিংবা ওইহল্লবদি এলায়েন্স অসিগী পাঙ্গল হান্নদগী হেন্না কনখৎলক্কনি। এলায়েন্স অসিদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা হীরম অসিদা অয়েৎপা পীরক্লোই হায়না মহাক্না থাজে। মরমদি হৌজিক হৌজিক য়ু পি এগী মরু ওইবা পান্দমদি বি জে পিবু মায়থীবা পীবনি হায়রি।

অমরোমদা শিব সেনাগী এম পি সঞ্জয় রৱটনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু মহারাষ্ট্র কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোয় সচিন সাৱন্তনা ফোঙদোকখিবদা শিব সেনা য়ু পি এগী পার্ট অমা নত্তে। শিব সেনানা য়ু পি এদা য়াওরল্লগদি মহাক্কী ৱাফম অদু খন্নরম্বা য়াবনি। এলায়েন্স অসিগী মেম্বর ওইদবা শিব সেনানা ৱাফম অসি ফোঙদোকপা মরম চাদে হায়রি। অতোপ্পা কোংগ্রেস লুচিংবা হুসেন দালৱাইনা ফোঙদোকখিবদা মমাংগী মহারাষ্ট্র এসেমব্লি ইলেক্সনদা শিব সেনানা সিট মশীং হেন্না ফংখিবদগী পার্টি অদুগী লুচিংবনা মহারাষ্ট্রগী সী এম ওইখিবনি।

সঞ্জয় রাৱটনা কাওরোইদবদি মহা ভিকাস অঘাধি (এম বি এ) গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙল্লিবসি কোংগ্রেসনা মতেং পাংলকপদগীনি। মরম অদুনা শিব সেনানা মীয়ামদা চম্মনবা পোকহনগদবা ৱাফমশিং মতুংদা অমুক হন্না ফোঙদোক্লোইদবনি।

কোংগ্রেসনা লুচিংদুনা য়ু পি এ শেমখিবনি। কোংগ্রেস লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীগী লিচিং মখাদা য়ু পি এনা মপাঙ্গল কন্না লৈরকখিবনি হায়বসু সঞ্জয় রাৱটনা কাওরোইদবনি হায়রি। হৌখিবা কুম্জা ২০১৯ দা মহারাষ্ট্রদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী রিজল্ট লাক্লবা মতুং এন সী পি অমসুং শিব সেনা অনী খূৎশম্নখি। অদুগা কোংগ্রেসনা এম ভি এ শেমদুনা বি জে পিবু লৈঙাক পায়হনখিদবনি।

## লৌমীশিংগী বন্দনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা চাওনা অকায়বা পীরবা য়ানা লৈ




ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

সেন্তরনা নৌনা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অদুগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকখিবা লৌমী লীশিং কয়ানা দেল্লী ঙমখৈগী শরুক্তা কেম্প তৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা থা ৪ রোম শুরবা ফাওবদা সেন্তরগী মায়কৈদগী পোজিটিভ ওইবা রেপোন্স অমত্তা লাক্তবা অদুবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা হয়েং লৈবাক পুম্বা বন্দ লাউথোকখ্রে।

হয়েং অয়ুক পুং ৬ তগী হৌরগা নুমিদাং পুং ৬ ফাওবা চত্থগদৌরিবা বন্দ অসিনা মরু ওইনা রেল অমসুং রোদ ট্রান্সপোর্টেসনদা চাওনা চৈথেং পীরবা য়ানা লৈরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌমী লুচিংবা বলবির সিংহ রাজেৱালনা ফোঙদোকখিবদা বন্দ মনুংদা হায়ৱেশিং অমদি রেলৱে ট্রেকশিং থিংজিনগনি। লোয়ননা কৈথেলশিংসু থোঙ লোনগনি। লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লীদসু লৌমীশিংগী বন্দ মপুং ফানা চত্থগনি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা বন্দ অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়ানা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরকপা লৈখ্রে। অদুবু বন্দ মনুংদা ইমর্জেন্সি সার্ভিসকী ওইনদি অথিংবা লৈরোই হায়রি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মরু ওইনা পঞ্জাব, হরয়ানা অমসুং উত্তর প্রদেশতগী লাকখিবা লৌমী কয়ানা সিংহু, টিক্রি অমসুং ঘাজিপুরদা ফার্ম লো অহুম রিপিল তৌনবা অমদি মিনিমম সপোর্টপ্রাইজ (এম এস পি) ফঙহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। অদুবু মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দশিং অদু পীবগী মহুত্তা তুমিন্না লৈশিনখিবদগী তঙাইফদনা লৈবাক পুম্বদা বন্দ অসি লাউথোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা কনফদরেসন ওফ ওল ইন্দিয়া ত্রেদর্সনদি লৌমীশিংগী বন্দ অদুদা মখোয় শরুক য়ারোই হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা বন্দনা খোঙজং অদুগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। মদুগী মহুত্তা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নদুনা নৌনা পাস তৌখ্রবা লো অহুম অদু শেমদোক শেমজিন তৌবনা হেন্না অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়রি।

## চহী ৫ গী মতুংদা অহানবা ওইনা এল ও সীদা নোংমৈগী খোঞ্জেল তাবা ফংদ্রে



ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল শরুক্তা চহী ৫ রোমগী মতুংদা অহানবা ওইনা চৎলিবা মার্চথা অসিদা নোংমৈ কাপ্পগী খোঞ্জেল অমত্তা তাবা ফংখিদ্রে হায়না অর্মী চীফ জেনরেল এম এম নরাভানেনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান মিলিটরি অনীগী মরক্তা য়ানখিবা মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নাকল অনীনা সিজ ফয়রগী চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎলি। অদুমওইনমক পাকিস্থানগী শরুকশিংদা লালহৌবশিংনা চত্থরিবা থবক থৌওংশিংদি পাকিস্থান গভর্ণমেন্টনা মপুং ফানা থিংবদি উদ্রি।

পাকিস্থাননা টেরোরিষ্টশিংদা মতেং পাংবা লেপত্রবদি অমুক হন্না নাকল অনীগী মরক্তা য়ানখিবা চৎনা কাঙলোনশিংদা অহোংবা লাকপা য়াবগী অকিবা লৈ। মরম অদুনা পাকিস্থান গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা লালহৌবশিংদা মতেং পীবগী থবক লেপকন্দবনি হায়রি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা অহানবা ওইনা থা অমরোম খূৎ থোক্লবা লেপখিবা অসিদি য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওই। পাকিস্থানগী মায়কৈদগী য়ানখিবশিং ঙাক্না চৎলিবমখৈ ইন্দিয়ানসু মখোয়বু ঈকায়খুম্নবা উৎকনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবা পাকিস্থানদা অহেনবা থবক থৌওংশিং চত্থখিবা লৈতে। পাকিস্থানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্টশিংনা লৈবাক অসিদা চঙশিল্লক্তুনা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবকশিং তোয়না থোকহল্লম্বা অদুসু হান্নগা য়েংনরুবদা চাং য়াম্না হন্থখ্রে।

ইন্দিয়াগী মরু ওইবা পান্দমদি লালহৌবগী থবক থৌওংশিং মপুং ফানা থিংবনি। লৈবাক অসিদসু তোঙান তোঙানবা লালহৌবগী প্রোব্লেম কয়া লৈরি। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না তপ্না তপ্না লালহৌবগী প্রোব্লেমশিং সোল্ভ তৌদুনা লাক্লি।

পাকিস্থানগী ওইনসু লৈবাক মনুংগী ওইবা প্রোব্লেম কয়া লৈরম্বা য়াই। প্রোব্লেমশিং অদু পাকিস্থান গভর্ণমেন্টনা মতম মতমগী মতুং ইন্না সোল্ভ তৌবনা হোৎনগদবনি। মসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী পুরকপা য়াই হায়রি।

## পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৫৩,৪৭৬ থেংনখ্রে, ২৫১ শিখি



ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৫৩,৪৭৬ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা হায়রিবা মতম অসিদা মীওই ২৫১ সু শিহনখি হায়রি।

নৌনা থেংনখিবা কেস মশীং ৫৩,৪৭৬ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা শোকহনখিবা অপূনবা মী মশীং ১,১৭,৮৭,৫৩৪ শুহনখ্রে অমদি অশিবা মশীংনা ১,৬০,৬৯২ য়ৌখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রীগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মমাং থাদগী হৌরগা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোরকপগী চাং নোংম নোংমগী মশীং হেনগৎলকখিবনি হায়রি। অমরোমদা মহারাষ্ট্র খক্তদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৩৫,৯৫২ থেংনখি। অদুগা লায়না লায়চৎ অসিনা ষ্টেট অদুদা হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ১১১ শিহনখি।

ষ্টেট অদুদা কা হেন্না লায়না লায়চৎ অদু শন্দোরকপনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী মীয়ামদা তংদু লৈতাদবা পোকহল্লে। লায়না লায়চৎ অসিবু শন্দোকপা থিংনবা পান্দমদা কোভিদ-১৯ গী কেস কা হেন্না থেংনখিবা মফমশিংদা নুমিৎ ১০ নিগী ওইনা ফুল লোকদাউন লাউথোকখ্রে।

লোকদাউন মনুংদা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোক্তনবা লোকেল গভর্ণমেন্টনা খঙহল্লক্লি। তঙাইফদনা চত্তবা য়াদবা থবক লৈরগদি য়ুমদগী থোরকপা মতমদা ফেস মাস্ক শীজিন্নবা, হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎকদবনি।

করিগুম্বা লোকদাউন মনুংদা মীয়াম্না গভর্ণমেন্টনা শেল্লিবা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎত্রবদি লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না মরী লৈনবশিংনা খঙহল্লকপগা লোয়ননা মীয়াম্নসু মতেং পাংনবা আপীল তৌরক্লি।

## ইমুং মনুংগী মীওই ৩ হাৎপদা চেন্নবা ১ ফারে

ভাদোহি, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

হরয়ানাদা লৈবা য়ুম অমদগী থা অনীরোমগী মমাংদা মিশিং রিপোর্ট তৌরকখিবা মীওই অহুমগী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা মীওই ৩ অদুবু হাৎপদা চেন্নবা মীওই উত্তর প্রদেশ পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা পনিপট ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ফারে হায়রি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কনসিরাম কোলোনিদা লৈবা অশানবা কা অমদগী মীওই অহুম অদুবু হাৎপদা চেন্নবা ইশান মীওই ৮ না শাবা পুলিস টিম অমনা ফাখিবনি। ইশাননা মহাক্কী লোয়নবী অমদি চহী ১০ অমসুং ১৪ খক্তা ঙাইরিবী মচাশিংবু হাৎলবা মতুং পনিপটতা লৈবা মহাক্কী য়ুমগী মখা থংবা শরুক্তা কোম তৌথোক্লগা ফুমজিন্দুনা থমখিবনি। মদুগী মতুং মহাক য়ুম অদু য়োল্থোক্লল্লগা মফম অদুদগী চেনখিবনি হায়না ইন্সপেক্টর (ক্রাইম) চিত্রকুট পুরিনা ফোঙদোরক্লি।

ইশাননা হান্না লৈরম্বা য়ুম অদু পুলিসনা চিংনবা খরা লৈবদগী য়ুম অদুগী অনৌবা মপু অদুগী অয়াবা লৌরগা থিবগী থবকশিং চত্থখিবনি। য়ুমগী মখা থংবা শরুক্তা ককচেংশিং কা হেন্না চত্থোক চৎশিন তৌবা থেংনবদগী মফম অদু তৌথোক্তুনা য়েংলুবদা মীওইবগী শরু পোলাংশিং ফংবা ঙমখিবনি হায়রি। পুলিসনা শরু পোলাং ফংলবা মতুং ইশানবু মহাক্না লৈরিবা অশানবা কা অদুদগী ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

## মমতা বেনর্জিনা দেঙ্গি অমসুং মেলরিয়াগুম্বা মহিকশিংগা মরুপ শান্নরি: অমিত শাহ



ৱেষ্ট বেঙ্গল, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

বেঙ্গলদা করপসনগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা অসি ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রিবা তৃনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা মমতা বেনর্জিনা দেঙ্গি অমসুং মেলরিয়াগুম্বা মহিকশিংগা ময়েক শেংনা মরুপ শান্নবননি হায়না বি জে পিগী লুচিংবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোরক্লি।

ঝরগ্রামদা পাঙথোকপা ইলেক্সন রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা করপসনগী লায়না লায়চৎ অসি বেঙ্গলদগী মপুং ফানা মুথৎকে হায়রবদি মমতা বেনর্জিগা মরুপ শান্নরিবা মহিকশিং অসি হান্না মাঙহনবা মথৌ তাই। মমতা বেনর্জিনা লৈঙাক পায়রিবা মখৈ মহিকশিং অসি মাঙহনবা ঙল্লোই। মরম অদুনা বেঙ্গলগী মীয়াম্না করপসন মপুং ফানা মুথৎকে হায়রবদি বি জে পিদা ভোট পীবা মথৌ তাই হায়রি।

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ট্রাইবেলশিংগীদমক চাওখৎ খোঙথাং কয়া পায়খৎলি অদুগা মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী মরী মতাশিংগীদমক থবক তৌরি। মীয়ামগী থবক তৌবা লুচিংবা অমগা মশাগী খল্লগা থবক তৌবা লুচিংবা অমগা খেন্নবা মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা বেঙ্গলবু করপসন ফ্রী ওইবা ষ্টেট অমা ওইহনবা হায়বসি মীয়ামগী মখুত্তা লৈ।

মীয়াম্না অওনবা বেঙ্গল অমা পুরক্নবগীদমক বি জে পিদা ভোট পীবদা অকিবা লৈরোয়দবনি। মমতা বেনর্জিগী অনেকপা মীওইশিংনা মীয়ামদা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা ঙল্লোয়। বেঙ্গল মীয়ামগীদমক বি জে পিনা খোঙফম লেংদনা লেপলি।

বেঙ্গলদা লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তগী হৌরগা অহানবা ফেজগী ওইনা ভোট থাদবগী থবক হৌরগনি। মীয়াম্না ইলেক্সনগী খুদোংচাবা লৌরগা বেঙ্গলগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা মতম চুপ্পদা অথিংবা পীদুনা লাক্লিবা তৃনামুল কোংগ্রেস অমদি পার্টি অসিগী লুচিংবী মমতা বেনর্জিবু পারা তন্থীবা মতম ওইরে হায়না অমিত শাহনা মখা তারি।

## করপসন চার্জকী মতাংদা থিগৎহন্নবা সী এমদা হায়জখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২৫ (এজেন্সী):

হান্নগী মুম্বাই পুলিস চীফ পরমবির সিংহনা মহারাষ্ট্রগী হোম মিনিষ্টর অনিল দেসমুখতা করপসনগা মরী লৈননা চার্জ কয়া তৌরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা অরানবা মরাল কয়া শীরক্লিবা অদুগী মতাংদা থিগৎহন্নবা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর উধব থাক্রেদা অইবা চে পীদুনা খঙহনখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা অনিল দেসমুখনা ফোঙদোকখিবদা হান্নগী পুলিস টিম পরমবিরনা মশাগী খুদোংচাবা খরা ফংনবগীদমক মহাক্কী মথক্তা য়ুমফম য়াওদবা মরালশিং অদু শীরকখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎলকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংগনি। অচুম্বগীদমক মতম লৈবা পূম্নমক্তা মহাক্না লেপ্লি। পনবা য়াবদি হান্নগী পুলিস চীফ অসিনা অনিল দেসমুখনা থা খুদিংগী ষ্টেট অদুদা লৈরিবা বার অমসুং রেষ্টুরেন্টশিংদগী লুপা ক্রোর ১০০ খোমগৎলক্নবা খঙহনখি হায়না মরাল শীরকখিবনি।

## কোষ্ট গার্দনা লুপা ক্রোর ৩,০০০ রোমগী দ্রগ ফারে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

মিনিকোই আইলেন্দগী শরুক্তা ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দনা নোংথক্কী মতেং য়াওরগা চত্থখিবা থি হুম্বগী থবক অমদা লুপা ক্রোর ৩,০০০ রোমগী ওইগদবা হেরোইন হাপ্তুনা পুরকখিবা শ্রীলঙ্কান ভেসেল অমা ফারে হায়রি।

লক্ষদিপ সমুদ্রদগী ফাখিবা শ্রীলঙ্কান ভেসেল অদুদগী এ কে ৪৭ রাইফল ৫, কাপ্পা য়ারিবা মরু ১,০০০ অমসুং হেরোইন কিলোগ্রাম ৩০০ ফাবা ঙমখিবনি। অরবিয়ন সিদা দ্রগ ট্রাফিক্কিংগী থবকশিং পাক শান্না চত্থরে হায়বগী অখন্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দনা নোংথক্কী মতেংগা লোয়ননা থি হুম্বগী থবকশিং চত্থদুনা লাকখিবনি।

শ্রীলঙ্কান ভেসেল অমা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী শরুক্তা চঙশিনখ্রে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা মার্চ ১৫ দা ফংখি। মদুদগী লেপ্পা লৈতনা ঈশিং ঈমায়গী শরুকশিংদা থি হুম্বগী থবক চত্থদুনা লাকখিবনি। য়াল্লবা হেরোইনশিং অদুগা লোয়ননা ফাখ্রবা মীওই ১৯ ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক কেরলাদা পুখ্রে হায়রি।

## ইন্দো-চাইনা ঙমখৈগী শরুক্তা কুপ্না য়েংশিল্লি: সেন্তর

ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগা তায়নবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা লৈবাক অসিগী মিলিটরিশিংনা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিল্লি হায়না ঙসি গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

চাইনানা মখোয়গী লমগী শরুক্তা অনৌ অনৌবা বিল্ডিং কয়া শাগৎলক্লিবা অদুগী মতাংদসু ইন্তলিজেন্সতগী পাউ তোয়না লৌরি। চাইনানা শাগৎলক্লিবা অনৌবা বিল্ডিংশিং অদু লৈবাক অসিগী শরুক্তা শাবা নত্তে। মখোয়গী ঙমখৈ শরুক্তা শাবনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা য়াবগী হক লৈতে।

অদুমওইনমক ঙমখৈ মনাক নক্না চাইনাগী মায়কৈদগী বিল্ডিংশিং শাবগী থবক চত্থরক্লবদি ইন্দিয়ন মিলিটরিদা অথিংবা পীনবা হান্ননা খঙহনখিবা লৈখ্রে হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেসল এফ্যেরস ভি মুরালিধরননা ঙসি লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

## প্রাইম মিনিষ্টরনা চীফ মিনিষ্টর অরবিন কেজ্রিৱালবু দেল্লীদগী তান্থোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরি: মনিস সিসোদিয়া




ন্যু দেল্লী, মার্চ ২৫ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা সেন্তরনা গভর্ণমেন্ট ওফ নেস্নেল কেপিটেল টেরিটোরি ওফ দেল্লী (এমেন্দমেন্ট) বিল প্রাপোজ তৌখিবা অদু দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অরবিন কেজ্রিৱালবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদগী তান্থোক্লবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হোৎনবনি হায়না দেল্লীগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা মরাল শীরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মোদিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলে হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরি। অদুবু মোদিনা পায়খৎলকপা চাওখৎ থৌরাংশিং দেল্লীদা ফেল ওইরিবা অসিগী মরম করিনো হায়নসু মীয়াম্না হংনবা হৌরক্লি।

দেল্লীদা আরবিন কেজ্রিৱালনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং অওনবা কয়া পুরকখ্রে। কেজ্রিৱাল অহেনবা ফিজেৎ চাক চা অমদি গাড়ী অতাঙবা তোংদুনা চৎপগী ৱাখল্লোন লৈতবা লুচিংবা অমনি।

অতাঙবা গাড়ী তোংদুনা চৎপগী মহুৎ গাড়ী অদু লৈবদা চঙগদবা শেনফম অদুনা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংদা থাদগে হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থবক তৌবদগী দেল্লীদা হান্নগা মান্নদবা মওংদা থুনা য়াঙনা চাওখৎপা ঙল্লিবনি।

লৈবাক অসিগী ষ্টেট অয়াম্বদা বি জে পিনা শক্তি পায়শিল্লক্লি। অদুবু দেল্লীদদি মহাক্না কেজ্রিৱালবু মায়থীবা পীবা ঙল্লোয় খঙবদগী অনৌবা বিল অসি হৌদোকখিবনি। করিগুম্বা বিল অসি পাস তৌখ্রবদি ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টকী মপাঙ্গল লৈররোই। লেফটনেন্ট গভর্ণরদা মতেং পাংনবগীদমক লৈবা গভর্ণমেন্ট অমা ওইরগনি।

লেফটনেন্ট গভর্ণরনা অহেনবা শক্তি হায়বদি সেন্তরনা দেল্লীদা তৌনিংবা থবক লায়না তৌবা ঙম্লগনি। দেল্লীদগী কেজ্রিৱালবু নমফুদ্দা তান্থোক্লবগীদমক বিল অসি প্রাপোজ তৌখিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

সেন্তরনা নৌনা হৌদোকখিবা বিল অদু ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিং মরু ওইনা বি জে দি, সমাজৱাদি পার্টি, কোংগ্রেস অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / নুংশং লায়নাগীদমক্তা ওজা কবিরাজ ABDUL HAK মতিক চাই

ওজা Abdul Hak কী লায়েং মখাদা ইশাদা লৈরম্বা পাইলস লায়নাগী হিদাকশিং চাং নাইনা চাজবদগী অমসুং মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফজরে। ওজাবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং পুন্সি নুংশাংনা মীয়ামগী সেবা ফংবিখো হায়না মপুদা থৌনিজরি। ঙসিমক তানবীয়ু ওজাগা, পাইলসকী অনাবনা- খ্বাং নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, খোঙ হাম্বা মতমদা চেখায়রগা থুপ্পা শাবা, শৌজ নান্থবা, চিকপা নাবনা হম হম লাওবা, অমাংথোং মপালদা ফুরিদৌনা অপোম্বা লৈবা, ঙকশম মরি নাবা অমসুং চানিং থক্লিংবা পোক্তবগী অৱাবা লৈবশিংনি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-**

1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

*থাগৎচরিবী* : **N. Noren**
Mayang Imphal

HL-P/9095/26

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ুম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ুমদা লাকপা খুদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-B/6802/21/2-22/3

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ থাগৎপা ফোঙদোকচরি



সুধাকর (শামু)

ঐগী ওই থংবা ঈশিং মরীদা 4 mm চাওবা নুঙ অমা লৈরম্বা অদু সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফাল আই টি আই মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা পাবুং লাইশ্রম নবকিশোর (পদ্মশ্রী এৱার্দী)গী মচানুপা ওজা লাইশ্রম সুধাকর (শাবু)না পাবুংগী মহুৎ শিন্দুনা ঐবু হপ্তা মরি লায়েংবীবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা নুঙ অদু তাখ্রে। অনৌবা অল্ট্রা সাউন্দ লৌবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক্তা ওজাবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাবু মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু।

ফোঙদোকচরিবা : **Kshetrimayum Amujou Singh**
Thoubal Kshetri Leikai

HL-P/9395/26

ꯅꯨꯡꯁꯤꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, অমাংথোং মনুংদু খুজিনবা, অমাংথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোং মনুং অমদি মপানদা পোম্বা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ মপুং ফানা অমুক্তা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, অমাংথোং মপালদা চেখায়বা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, ফম্বা মতমদসু নান্থরকপা, মরক মরক্তা চৎপা মতমদসু শৌজ অদু নান্থরকপা, অমাংথোং মনুংদু খুজিনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু ৱাতিন মতেক্কুম্না পীক্লা তারকপা, অমাংবদু লোয়না তারকউ য়াদবা, খুৎনা কোৎলগা শেংনা লৌথোকপা, শেংনা কোৎলগা লৌথোকহৌদবা তারগদি অমাংথোং মনুংদা চিক্লি চিক্লি তৌরগা অদুম লৈবা, অমাংথোং মনুং অমদি মপানদা পোম্বা, অমাংথোং মপান অকোয়বদু থাগৎপা, থাগৎফম অমাংথোং মপানদা চেখায়বা, চেখায়বা অদু হিদাক চারবসু অমদি তৈরবসু ফজিল্লু য়াদবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা চেখায়বা অমাংথোং মপানদা চেখায়বা অদুনা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ মপুং ফানা হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, হকচাংগী ইন্দ্রি অসি শোন্থবা, খ্বাং নাবা, লেংজুম নাবা, ঙকশম মরি নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6825/26 *থাগৎচরিবা* : **N. Inaobi Singh,** Thoubal

**ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোংদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, খনাওদা করিমত্তা চাবা য়াদবা পল্লগা লৈবগুম তৌরগা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাক্তা হাইগৎলগা শ্বর হোনবা ৱাবা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা য়ারোমদা য়াম্না তোয়না তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোংদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, খনাওদা করিমত্তা তাবা য়াদবা, পল্লগা লৈবগুম তৌরগা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা গ্যাষ্ট্রিক অদু থবাক্তা হাইগৎলগা শ্বর হোনবা ৱাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, পুকচেপ নাবা, পুক্তা চাকপা শাওগৎপা তৌরগা খাংফম খঙদবা, গ্যাষ্ট্রিক অদু হকচাংগী মফম খূদিংদা কোয়চেনতা চেল্লগা লেংবা থিনবা তৌবা, খোঙ-খুৎ শজিং তোয়না হৌরগা নুংঙাইতবা, শা-ঙা, থাউ মোরোক চাবা য়াদবা, চারগনা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা অমদি হকচাং নুংঙাইতবা, ফম্বী শোনবা, শিংলি নাওরি শোনবা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, খ্বাং নাবা, কমলাপ মরি নাবা, মসলশিং চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরক-মরক্তা য়েৎকী হকচাং তংখায় অমা চিকপা তৌরকপা, য়াংলেন শরুদা চিকপা নাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

**ওজাগী লায়েংফমশিংদি :**

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/9323/26 *থাগৎচরিবা* : **L. Kesho Singh,** Pangei